# মধ্যা প্রদেশতা মীখলগী মথৌ পাঙথোকপা ওফিসল অহুম তোঙান-তোঙানবা থৌদোক্তা শীখ্রে



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী)ঃ**
মধ্যা প্রদেশতা থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা থৌদোক্তা নুপী অমা য়াওনা পোল্লিং ওফিসর ৩ শীরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

সিনৱারা লোকসভা কন্সটিটুয়েন্সিগী লোধিকেদা পোল্লিং বুথতা মথৌ পাঙথোকপা সুনন্দ কেটেকা (৫০) কৌবা নুপী ওফিসল অমা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা ইখঙ খঙহৌদনা হকচাং নুংঙাইরকখিদবগা লোয়ননা লৌখিদবনি হায়না চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর ভি এল কান্তা রাওনা ফোঙদোকখি।

কোটাকা য়াওনা পোল্লিং পার্সনলশিং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা পোল্লিং ষ্টেসনদা থুংখিবনি। ওফিসল অদু কার্দিয়াক এরেষ্ট তৌরকপদগী লৈখিদবনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা সির্ধি দিষ্ট্রিক্টতা মীখলগী দ্যুটি তৌবা সব ইন্সপেক্টর অমা ঙসি অয়ুক হার্ট এটেক তৌবদগী শীখি। বালাঘাট লোক সভা কন্সটিটুয়েন্সিগী সিওনিদা মথৌ তৌবা পোল্লিং ওফিসর অমসু ব্রেন হিমোরেজ তৌবদগী ঙরাং নুমিদাংৱাইরম লৈখিদ্রে হায়রি।

অমরোমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৫দা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সি ৮গী মীখলগা মরী লৈননা খৎনা চৈনবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকখ্রে।

বিরভুম দিষ্ট্রিক্টকী বন্দর এরিয়াদা বি জে পিগী সপোর্টরশিং অমসুং ত্রিনামুল কোংগ্রেস শৌগৎপশিংগী মরক্তা মীখলগা মরী লৈননা খুৎ থোক্নরকখি। সনিয়াসি লোহার (৬০) কৌবা মীওই অমা ভোট থাদরুরগা থোক্লকপদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী সপোর্টরশিংনা ফুরকই হায়বা ৱাহৌদগী নাকল অনী খুৎ থোক্নবগী থৌদোক থোকখিবনি।

মফম অদুমক্তদা চান্দ বিবি কৌবী নুপী অমসু বি জে পিগী সপোর্টরশিংনা ভোট থাদহনখিদ্রে হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা চাওনা উংখৎনবা থোকখি।

বিরভুমগী দুব্রাজপুরদা য়েংথিনবা নাকল অনী উংখৎনরকপদগী পুসিলনা নোংথক্তা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপ্তুনা নাকল অনীমক তানখাইখি।

নলহাতি অমসুং রামপুরহটতসু ভোটরশিংনা কিহল্লন্বী হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা খৎনা চৈনবগী থৌদোক থোকখি। বিরভুম দিষ্ট্রিক্টতা ইলেক্সন কম্মিসননা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবা অনুব্রতা মোন্দলগী মথক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা মহাক্কী চখোক চৎশিনদা অথিংবা কয়ামরুম থমখ্রে।

দুধ কুমার মোন্দালসু মোবাইল ফোনগা লোয়ননা পোল্লিং বুথ অমদা চংলুই হায়বগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসননা সো কোজ নোটিস থাখি। অসানসোলদা বি জে পিগী মীরেপসু ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বাবুল সুপ্রিয়োনা পোল্লিং বুথ অমগী মনুংদা অতোপ্পা মীওইগা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখি। মতুং তারকপদা এম পি অদুগী গাড়িদা মীওই কয়ানা নুঙ লংশিন্দুনা এটেক চখখি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী জেমুৱাদা ত্রিনামুল কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী সপোর্টর মশেল খুৎ থোক্নখি হায়রি।

# জর্মন বেকরিদা বোম পোকখায়হনখিবগী কেসতা এন আই এনা য়াসিন ভটকালগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে



**পুনে, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী)ঃ**
কুমজা ২০১০দা জর্মনিগী বেকরিদা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক্তা মরী লৈননা ইস্লামিক মুজাহিদ্দিনগী মরু ওইবা লুচিংবা অমা ওইরিবা য়াসিন বটকালগী মথক্তা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে।

য়াসিন বটকাল এলিয়স মহমদ অহমদ সিদিবাবাবু অকন্নবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা কোর্টতা পুথোরকখি। আই পি সিগী তোঙান-তোঙানবা সেক্সন, এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্স এক্ট অমসুং অন লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী মখাদা মহাক্কী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখিবনি।

কুমজা ২০১০গী ফেব্রুৱারিদা পুনেগী কোরেগাউন এরিয়াদা লৈবা অচা-থক য়োনবা মফম অমখক বোম পোকখায়হনখিবদা মীওই ১৭ শীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৬৪ হেন্না অশোক অপন নংখি।

য়াসিন ভটকালবু কুমজা ২০১৩দা হায়দ্রবাদকী মফম অনীদা বোম পোকখায়হনখিবগা মরী লৈননা এন আই এগী স্পেসল কোর্ট অমনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা শীবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখিবনি। মহাক্ ঙসি দিল্লিগী টিহার জেলদগী পুরক্লগা এদিস্নেল জেসন জজ কে দি বদানেগী কোর্টতা পুথোকখি।

য়াসিন ভটকাল ফারবা মতুংদা পুনেগী কোর্ট অমদা পুথোকপা হন্দক্না অহানবনি। কেস অসিগী প্রোসিক্যুটরনা কোর্টতা হায়খি। সিক্যুরিটিগী ওইবা মরম খরদগী য়াসিন ভটকালবু পুনেগী কোর্টতা পুরকপা খুদোংচারোই হায়না ফোঙদোরকপদগী ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা ট্রাইয়ল চথখি। দিল্লি পুলিসনা ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা ট্রাইয়ল চথবগী ৱাফম অদু য়াসিন ভটকালগী উকিল জাহির খান পথাননা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

তোঙান-তোঙানবা থৌদোক ৪০ হেনবদা চেন্নবা ভটকালবু কুমজা ২০১৩দা এন আই এনা ইন্দো-নেপাল বোর্দরগী মফম অমদগী ফাখিবনি।

জর্মন বেকরিদা বোম পোকখায়হনখিবগা মরী লৈননা কুমজা ২০১০গী সেপ্টেম্বর ৭তা মিরজা হিমায়ট বেগ কৌবা মীওই অমা আর দি এক্স কিলোগ্রাম ১.২গা কোন্ননা ফাখি। এন্টি টেরর স্কৱার্দনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর রিয়াজ ভটকাল, ইগবাল ভটকাল, য়াসিন ভটকাল, মোহসেন চৌধরি, লাস্কর-ঈ-তোইবগী লুচিংবা হয়াজ কাপজি, জাবিউদ্দিন অন্সারি এলিয়স অবুজিন্দাল ফাখিবনি।

থৌদোক থোকফমদগী ফঙবা সি সি টি ভিগী ফুটেজদা য়াসিন ভটকালনা বোম পোকখায়হন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবগী খুদম উবা ফঙখি। কুমজা ২০১০গী দিসেম্বরদা এন্টি টেরর স্কৱার্দনা বেগকী মথক্তা চার্জ সিট তৌখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৩গী এপ্রিল ১৮দা পুনেগী সেসন্স কোর্টনা ট্রাইয়ল চথরগা মহাকপু শীবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখি। কুমজা ২০১৬কী মার্চ ১৭তা বোম্বে হায় কোর্টনা ৱায়েল অদু চৎনহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা খঙহনখি।

# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লৈবাক্কী মমিং লৈরবা দিক্টেটর অমা ওইনবগী লম্বীদা তপ্না তপ্না চঙশিল্লক্লি ঃ অসোক গেহলোট



**জোধপুর, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী)ঃ**
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা দিক্টেটর ওইনবগী লম্বীদা তপ্না তপ্না খোঙ থাংজিনবা হৌরে হায়না রজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অসোক গেহলোটনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক নীংবগী মিংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা তোঙান-তোঙানবা কাংলুপ মশেল নুংশিন্নহন্দবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না মরাল শীরদুনা অসোক গেহলোটনা হায়খি বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লি বা থৌরাং অসিনা দিমোক্রেসিদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকপা য়াই। পুৱারীগী লমায় হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা দিক্টেটর খুদিংমক অহানবদা লৈবাক নীংবগী ৱাফম হৌদোক্লল্লগা অকোনবদা শুপ্নম লৈঙাক চল্লাইবা হৌখি হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু হৌজিক হৌজিক লৈবাক নীংবগী মিংদা কাংলুপ নাইবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা হোৎনরি। মতম খরগী মতুংদা দিক্টেটর অমগী থৌদাং শোইদনা লৌরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ধোলপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিগা লোয়ননা মীখলগী মীফম অমদা ৱা ঙাংখিবদা গেহলোটনা হায়খি কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রক্লবা মতমদা তোঙান-তোঙানবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিন্নবগী মরী শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎকনি।

হৌখিবা নুমিৎ ৯নি গেহলোটনা মচানুপা বাইভব গেহলোটকী মীখলগা মরী লৈননা জোধপুর লোক সভা কন্সটিটুয়েন্সিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ৱা ঙাংদুনা লাকখিবনি। বাইভব গেহলোটনা কন্সটিটুয়েন্সি অসিদা বি জে পিগী গজেন্দর সিংহ সেখাৱদকা অকনবা লম্বা পান্নরি।

মমাঙদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা অসোক গেহলোটনা হায়খি মদুদি মীয়াম্বু অরানবা লম্বীদা লমজিংবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরগী মমিং পুৱারিদা ময়েক শেংনা লৈহৌরগনি। মীখল ময়া হেক নকশিল্লকপগা রাম টেম্পল শাবগী ৱাফম পুখৎতুনা মীয়ামগী ভোট ফংনবা থৌরাং লৌখৎলবা মতুংদা মীখল লোইখ্রগা রাম টেম্পলগী মফম অমুক হন্না নীংশিংখিদ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরবু মহাক্না মরাল শীখি।

# য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বাবুল সুপ্রিয়োগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌখ্রে



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী)ঃ**
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অসানসোল পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সুপ্রিয়োগী মথক্তা ইলেক্সন কম্মিসননা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখ্রে।

পোল্লিং ষ্টেসন অমদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী পোল্লিং এজেন্ট অমা কিহনবগী থৌওং চথখি হায়বগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌখিবনি। পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১৯৯ বোনবানিদা বাবু সুপ্রিয়োনা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী পোল্লিং এজেন্ট অমদা কিহনখিবগী ভিদিও ফুটেজ সোসল মেদিয়াদা পাক শন্না থাগৎলকখি।

প্রিসাইদিং ওফিসরনসু পোল্লিং ষ্টেস অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা অরানবা থৌওং চথখি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসনগী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। অমরোমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনেকা গান্ধিনা সুলটানপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা 'এ বি সি দি' ফোরমুলাগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসননা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসননা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি এপ্রিল ১৪দা সুলটানপুরগী সরকোদা খুঙ্গংদা মনেকা গান্ধিনা চথখিবা থৌওং অদু কম্মিসননা হকচিন্না লৌই।

পনবা য়াবদি, পিলিভিটতা মীখলগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা মনেকা গান্ধিনা হায়খিবনি মদুদি বি জে পিগী মীরেপ্তা ভোট খ্বাইদগী য়াম্না পীরকপা খুঙ্গংশিংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মপুং ফানা পায়খৎকনি। ভোট মশিং য়াম্না পীরকপা অমসুং পীরক্তবগী মতুং ইন্না খুঙ্গংশিংদা চাওখৎ থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা খেন্নবা কয়ামরুম লৈগনি হায়নসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনেকা গান্ধিনা ফোঙদোকখি।

# মধ্যা প্রদেশতা রাহুল গান্ধিনা ঙসি মীখলগা মরী লৈননা মীফম অহুমদা ৱা ঙাংগদৌরি



**ভোপাল, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী)ঃ**
কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা হয়েং মধ্যা প্রদেশকী বুন্দেলখান্দ রিজনদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা পব্লিক মিটিং অহুমদা ৱা ঙাংগদৌরি।

বি জে পিনা হৌজিক হৌজিক মায় পাক্তুনা লৈরিবা টিকামগর, দামো অমসুং খজুরহো লোক সভা কন্সটিটুয়েন্সিদা পাঙথোক্কদবা মীফমশিংদা মহাক্না ৱা ঙাংদুনা কোংগ্রেসকী মীরেপশিং মায় পাকহন্নবা হোৎনগদৌরি।

ষ্টেটঅসিগী কোংগ্রেস পার্টিগী স্পোক্স পার্সন ভুপেন্দ্র গুপ্তনা পাউমীশিংদা হায়খি হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতমদা রাহুল গান্ধিনা তিকামগর লোক সভা কন্সটিটুয়েন্সিদা মীখলগা মরী লৈননা ৱা ঙাংগনি। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৪৫ তারকপদা দামো পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী পথারিয়াদা মহাক্না মীখলগা মরী লৈনবা মীফমদা ৱা ঙাংগনি। নুংথিল পুং ৪.১৫ তাবদনা খজুরাহো লোক সভা কন্সটিটুয়েন্সিগী অমনগঞ্জতা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা এসেম্ব্লীগী মীখলদা বি জে পিবু মায় পীখিবা কোংগ্রেসনা হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা সিট খুদিংমক ফংবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

কুমজা ২০০৮গী এপ্রিলদা রাহুল গান্ধিনা বন্দেলখান্দগী তাপ্রিয়াম খুঙ্গং অমসুং টিগামগর দিষ্ট্রিক্টতা চৎতুনা মফম অদুগী খুঙ্গাশিংগা লোয়ননা অহিং য়ারেকমীন্নখিবনি। মতম খরা লৈরগা মহাক্না সেন্টরদা তক্নদুনা বন্দেলখান্দ রিজন চাওখৎহন্নবগী মতাংদা অখন্নবা ইকনমিক পেকেজ অমা লাউথোকহনখি। অদুবু লোক সভা মীখলদা মায় পাকপা ঙমখিদে।

# মিদিয়াদা পাউ ফোঙবিদনবগী পিটিসন হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী)ঃ**
চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইগী মথক্তা সেক্স্যুয়ল হরাসমেন্টকা মরী লৈননা মরাল শীরকপা ৱাফম পাউ-চেশিংদা ফোঙহনবীগনু হায়না থারকপা পিটিসন অমা দিল্লি হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে।

চীফ জষ্টিস রাজেন্দ্র মেননননা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি হিরম অসিগী মতাংদা কোর্টনা খুৎ থিংজিনবগী মথৌ তাদে হায়না লৌই। এন্টি করপসন কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া কৌবা এন জি ও অমনা ফাইল তৌরকপা পিটিসনদা চীফ জষ্টিসকী মথক্তা সেক্স্যুয়ল হরাসমেন্টকা মরী লৈননা মরাল শীরকপা ৱাফমশিং পাউ-চেদা ফোঙহনবীগনু হায়না ৱাকৎলকখিবনি।

পিটিসন অদুনা হায়খি চীফ জষ্টিসতা মরাল শীবা ৱাফম কয়া তোঙান-তোঙানবা পাউ-চেশিংদা ফোঙনরকপনা ইন্দিয়াগী জুদিসল সিষ্টেমদা অতম্ননা মীংচৎ থিহন্নবগী মরম ওইহল্লে। মরম অদুনা প্রিন্ট মিদিয়াদা হিরম অসিগা মরী লৈনবা পাউ ফোঙহন্দবগা লোয়ননা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদসু পাউ শন্দোকপা য়াহল্লোইদবনি।

পনবা য়াবদি সুপ্রিম কোর্টতা হান্না থবক তৌরম্বা নুপী অমনা চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইগী মথক্তা সেক্স্যুয়ল হরাসমেন্টকা মরী লৈননা মরাল শীরকপা লৈখ্রবনি। হিরম অসিগী মতাংদা এপেক্স কোর্টকী জজ অহুম্না শাবা কম্মিতি অমনা থিজিনবা হৌখিবগা লোয়ননা মমাঙ চয়োলগী ইরাই নুমিৎতা অহানবা ৱায়েল চখবা হৌখি।

কুমজা ২০১৪দা থবক্তগী পোখাখ্রবা জষ্টিস পাটনাইকনা লুচিংবা কম্মিতি অমনা চীফ জষ্টিসতা মরাল শীরক্লিবা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা থিজিনবগী থবক পায়খৎপসু লৈখ্রে। কনাগুম্বা মীওই খরনা লৌতুনরগা চীফ জষ্টিসকী মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনৈ হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা থিজিনবা হৌখিবনি।

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
NOTICE
15th April 2019
Class-XI & Class-XII Foundation Course 2019 which is scheduled to Commence from 17th April 2019 has been postponed on 2nd May 2019 due to some unavoidable reasons.
Sd/-
Administrator
HL/B/5357/27,28,29,30&1may

URGENTLY REQUIRED
YES with added minerals Water Company

| Sl. No. | Name of the post | Qualification | Experience | No. of post | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Sr. Admin. Officer | M.A / B.A or Equivalent, | 2 – 4 years | 1 | 16.k to 30.k |
| 2 | Admin. Officer | M.A / B.A or Equivalent | Fresher | 1 | 8.k to 15.k |
| 3 | Senior Accountant | M.Com/B.Com with Tally & GST Knowledge | 2 - 4 years | 1 | 16.k to 30.k |
| 4 | Jr. Accountant | M.Com/B.Com with Tally Knowledge | 1 - 2.yrs, Fresher also can apply | 2 | 8.k to 15.k |
| 5 | TATA DI - Driver | Valid Driving License | Min. 1 year | 4 | 8.k to 12.k |

Date of interview: 01/05/2019 - to - 05/05/2019. Time: 10 a.m to 3 p.m
Address: Nagamapal Singjubung Leirak, Near Major Chongthamia Statue. Contact: 7005168284/ 7005440991.
HL-P/417/30,1

PILES TREATMENT
NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND, MINUTHONG & KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.


PH. ALAM

PILES : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরূ-মরূ ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।
GASTRIC : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।
STONE CASE : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।
SINUS : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।
SUGAR PROBLEM : সুগর প্রোব্লেম্নচিংবা লায়েংজরি।
BODY PAIN (PARALYSIS) : খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা-নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।
ASTHMA AND COUGH: শ্বর হোনবা ৱাবা, থবাক ফুল্লকপা, শ্বর মপুং ফানা হোনবা ঙমদবা, লোক কংখু খুবা অসিনচিংবা।
MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220
HL-P/3910/2-30april(alt.)

1ST BATCH
S3 STEPS TO SURE SUCCESS
COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
RUN BY WELL QUALIFIED, LONG TERM EXPERIENCED TEACHER WITH WELL KNOWN GUEST FACULTIES
ADMISSION OPEN : FOUNDATION COURSE FOR CLASSES : IX, X, XI & XII
Subject Offer are : MATHEMATICS, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE
ENGLISH FOR CLASSES IX AND X - BOSEM/CBSE
MATHEMATICS, PHYSICS, CHEMISTRY, BIOLOGY, ENGLISH FOR CLASS - XI AND XII
CLASS COMMENCING FROM 06TH MAY, 2019
Separate Classes for CBSE and COHSEM
* ONLY 20 STUDENTS PER CLASS PER BATCH *
Special Features :
- THEORY WITH PRACTICAL TEACHING METHOD
- SUPPLY STUDY MATERIAL FOR EACH UNIT
- REGULAR UNITWISE TEST SERIES
- REGULAR COUNCELLING BY EXPERTS
- VAN SERVICE
- SEPARATE HOSTELS FOR BOYS AND GIRLS
- UNDER STRICK SUPERVISION BY EXPERT TEACHER
ALSO AVAILABLE REGULAR COURSE FOR NEET CHEMISTRY.
CLASS TIMING :
MORNING 4:30 TO 7 A.M.
EVENING 4:50 TO 7:50 P.M.
Please Contact : 9856331259, 7005158667.
"Come for study not as Fashion"
HL-B/5335/12/4-10/6(alt)

CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS XII, XI & X
COHSEM/CBSE/BOSEM
SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise Authentic Study Materials.
2. Exam. Oreinted Test Series for Final Examination.
3. Probable Questions and Answers for 2019 Exam.
4. Special Fee Concession for CASIANS.
5. Vision for Toppers for 2019 Final Exam.
2ND BATCHES
Classes Commencing from 9th May 2019
Seats are Limited First Come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/5308/24/4-8/5

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE CHIEF INSPECTOR OF FACTORIES & BOILERS CUM
DIRECTORATE OF TRADE, COMMERCE & INDUSTRIES

NOTICE INVITING SUGGESTIONS/OBJECTIONS
Dated: Imphal, the 29th April, 2019

No. F-74/IND/2014: Whereas Manipur Factories Rules, 2007 was notified vide Government notification No. 35/1/2007-COM & IND dated 10/11/2009 now in exercise of the powers conferred under section 112 of the Factories Act, 1948 the State Government proposes to amend Rules 8 (2) and Rules 8(4) of the aforementioned Rules and under section 115 of the said Act notice is hereby given that any person who is likely to be affected by the proposed amendment may submit his/her objection/suggestions to the undersigned within 30(thirty) days from the date of publication of these amendment in the Official Gazette.

Any objections/suggestions which may be received after the expiry of the stipulated period will not be considered.

Proposed amendments:

| | As notified in the draft Manipur Factories Rules, 2007 | Proposed amendment |
|---|---|---|
| Rules 8(2) | Every licence granted under this chapter shall remain in force upto the 31st of December of the year for which the licence is granted. | Every licence granted under this chapter shall remain in force upto the 31st December of the tenth year from the date of issue |
| Rules 8(4) | Every licence renewed under this Rule shall remain in force upto the 31st December of the year for which the licence is renewed. | Every licence renewed under this Rule shall remain in force upto the 31st December of the tenth year for which the licence is renewed. |

(C. Arthur Worchuiyo )
Chief Inspector of Factories & Boilers cum
Director of Trade, Commerce & Industries,
Manipur.

HL-B/5365/30